# নোর্থ কোরিয়াগী পুঙ্গেরিদা লৈবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌননবগীদমক শেমগৎখিবা টনেল থুগায়খ্রে

প্যোংয়াং, মে ২৪ (এজেন্সি):

এসিয়া অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়াদা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌখিবনা মরম ওইরগা লৈরিবা উংখৎনবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌননবগীদমক শেমগৎখিবা পুঙ্গেরিদা লৈবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট টনেল নোর্থ কোরিয়ানা থুগায়খ্রে।

লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা পুঙ্গে রি ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফমদা লৈবা টনেল অদু থুগায়বদা মপান লৈবাক্কী পাউমী কয়া উহনখি। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পায়খৎলক্লিবা দিপ্লোমেটিক ওইবা খোঙথাং অদুবু হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা নোর্থ কোরিয়ানা চৎলিবা চহী অসিদগী ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফমশিং থুগায়বগী অয়াবা পীখিবনি।

কুমজা ২০১৭ গী সেপ্টেম্বর থাদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকপদা টনেল অদুগী শরুক খরা নীংখায়খ্রে হায়বগী থাজবা সাইন্টিষ্টশিংদা লৈখি। অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াররোইদবা টনেল অদু থুগায়নবগী থৌশিল পায়খৎপা চৎলিবা চহী অসিগী হৌরকপদগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি হায়রি।

পুঙ্গে রি হায়রিবা মফম অদু লৈবাক অদুগী চীংগী লমদম ওইনা তৌবা মফম অমদা লৈবনি। পুঙ্গে রি ন্যুক্লিয়ার সাইট অদু থুগায়বগী থবক থৌরমশিং অদুদা মনিং-মখা তম্বা মালেমগী ইন্সপেক্টর-শিং য়েংবা য়াহনখিদে।

নাকল অমরোমদা, থুগায়খ্রে হায়রিবা মফম অদু লায়না শেমগৎ শাগৎপা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়না বি বি সীগী পাউমী লৌরা বিকরনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা মথং থাগী ১২ দা সিঙ্গাপুরদা উননবা থৌরাং তৌরিবা অদুগী মাঙওইননা ন্যুক্লিয়ার সাইট অদু মাঙহনখিবনি হায়রি।

হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা নোর্থ কোরিয়ানা মীফম অদু তোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা মীফম অদু য়ৈথোকপা নৎত্রগা তোকখিবা য়াবগী ফীভম অমদা লৈরম্লবনি হায়রি।

মালেমগী পাউমী ২০ রোম পুদুনা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফম অদুগী টনেল অহুম থুগায়বা অদু উহনখি। ঙসি অয়ুক পোকখায়বগী মখোল অহুম তাখি। অদুগা নুমীৎয়ুংবা মতুংদনা পোকখায়বগী মখোল মরিরক তাখি হায়রি। প্যোংয়াংনা ৱিটনেস ওইহনখিবা পাউমীশিং অদুগী মনুংদা স্কাই ন্যুজগী তোম চেসিরসু য়াওখি। পাউমী অদুনা হায়, টনেল অদুগী থোঙশিং অদু ৱায়র কয়া য়েৎতুনা লৈবা উখি। টনেল অদুদগী মিটর ৫০০ রোম লাপ্পা চীংগী শরুক অমদা মখোয় লৈথোক্তুনা লৈখি। মদুগী মতুং টনেল অদু থুগায়খিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা কাউন্ট দাউন তৌদুনা টনেল অদু পোকখায়হনখি। পোকখায়খ্রবা মতুং টনেল অদুদগী উফুল-ৱাইফুল অমসুং মৈশা থোক্লকপা উখি। পোকখায়বগী মখোল অদু অসুক্কী মতিক হৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০০৬ তগী চীংগী লমদম অদুদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার সাইট অদুদা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তরুকলক পাঙথোকখ্রে। মাউন্ট মন্টতাপকী অপীকপা তম্পাক্কী শরুক অমদা টনেল অমসুং ন্যুক্লিয়ার সাইট অদু লৈবনি। মফম অদু নোর্থ কোরিয়াগী ওইনা ন্যুক্লিয়ার ফেসিলিটি কয়া লৈরিবনি। মালেমগী ওইনা এক্টিব ওইনা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট অমা হায়রগদি মাউন্ট মন্টতাপতা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার সাইট অদুসু অমা ওইখিবনি। মফম অদু প্যোংয়াংদগী অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৩৭০ রোম চৎলগা লৈবনি।

টনেল অদুদগী রেদিও এক্টিব লিক ওইরক্তনবা অকনবা থৌশিল পায়খৎলবা মতুং বোম ফুমজিন্দুনা থুগায়খিবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফমগী টনেলশিং থুগায়খিবা অদুনা লৈবাক অদুবু ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় লৈহন্দবগী থৌশিলদা মীৎয়েং থল্লি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলে। ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফম থুগায়খিবা অদুনা প্যোংয়াংনা মালেমগী ওইবা থৌশিলদা শরুক য়ারকপগী অহানবা খোঙথাং অমনি হায়না থিজিন-হুমজিনবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।



# সাইরিল রমাফোসানা তোলোপ তঙ্খায় ১ মন্দেলা চেরিটিদা কৎখ্রে

কেপটাউন, মে ২৪ (এজেন্সি):

সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সাইরিল রমাফোসানা মহাক্কী থাগী তোলোপ তঙ্খায় অমা মন্দেলা চেরিটিদা কখোল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, মহাক্না কখোক্লিবা অদু লৈবাক অদুবু শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চখ্রবনি। কনাগুম্বশিংনসু কখোকহন্নবা পূক্নিং থৌগৎপা থৌশিল অমনি হায়খি।

নেলসন মন্দেলা ফাউন্দেসন (এন এম এফ) তা রেন্দ মিলিয়ন ১.৬ য়ৌনা কখোক্কনি হায়বগী অচেৎপা ফীরেপ থল্লি। রমাফোসা সাউথ অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কী ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৪৫০ গী লন-থুম লৈ। মহাক্কী মথক্তা মীওই কয়ানা মরাল শিরকখিবা লৈখি। খ্বাইদগী ইনাক খুনবা অমসুং লুচিংবা ওইরবা মীওই অদুনা লায়রবশিংগীদমক করিসু খন্দে। মরল-মথুম লেপশিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিরকপা লৈখি।

রমাফোসা (৬৪) মমাঙদা মায় পাক্লবা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই অমা ওইরমখি। কুমজা ২০১২ দা মহাক দেপ্যুটি প্রসিদেন্ট ওইরকখি। সাউথ অফ্রিকাদা য়ু এসকী চেন, মেক দোনাল্ডনচিংবগী ফ্রেনচাইস কয়া হাংদুনা চাউনা লল্লোন-ইতিক তৌবা ঙস্বা মীওইনি। টেলিকোম অমসুং মিদিয়াগী লমদসু শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরমখি হায়রি।

রমাফোসানা লুচিংবা অমা ওইরক্লবা মতুং থাগী তোলোপ হন্থহন্নবা থৌশিল পায়খৎলকখি। মদুদা লমদম অদুগী মীওই কয়োনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। অদুম ওইনমক মীওই খরনদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু শৌগৎপা লৈখি হায়রি।

লুচিংবা অদুনা কখোক্লিবা অদুদি মহাক্কী লন-থুমশিং অদুগী মনুংদা হৱাই মরু অমগুম্বা খক্তনি।

অমরোমদা, মহাকপু শৌগৎ-পশিংনদি কখোক্লিবা অদু শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। অফ্রিকান নেসনল কোং-গ্রেসকী লৈঙাক অদুনা মীয়ামগীদমক থবক তৌবগী অনৌবা থৌশিল অমনি হায়রি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অফ্রিকান পার্লিয়ামেন্টতা রমাফোসানা হায়, সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা দিমোক্রেটিক প্রসিদেন্ট নেলসন মন্দেলাগী ওর্গনাইজেসন এন এম এফদা মহাক্কী তোলোপ তঙ্খায় অমা কখোক্কবা ৱারেপ লৌরে। মদুনা লৈবাক অসিবু শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অদুগী সিটিজন-শিংনা অপীকপা থৌদাং অমা য়ারক্ল বগীদমক পূক্নিং থৌগৎপনি হায়খি। নেলসন মন্দেলাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম জুলাই ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা শেনফম অদু কখোক্কনি হায়রি।



# ভেনিজ্বেলাগী লুচিংবা মদুরোনা য়ু এসকী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট তান্থোকখ্রে

করাকস, মে ২৪ (এজেন্সি):

নিকোলাস মদুরোবু ভেনিজ্বেলাগী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হন্না খল্লকখিবদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অদুদা লৈবা য়ু এস দিপ্লোমেট তান্থোকখ্রে।

মদুরোনা হায়, নোংমাইজিং নুমীৎতা মহাক্কী পার্টিনা মায় পাক্তুনা মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখিবা মতমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি-বগীদমক য়ু এসকী সিনিয়র দিপ্লোমেট টোদ রোবিন্সনবু লৈবাক অদুদগী তান্থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস দিপ্লোমেট রোবিন্সননা সোসিএলিষ্ট লৈঙাক অদুগী মায়োক্তা লৌতুনবগী থবক চৎখে হায়নসু মরাল শিখ্রে। ভেনিজ্বেলাদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু ওপোজিসন পার্টিদা বোয়কোট তৌখিবনা ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইরবা মীখল ওইখিদে হায়না মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবা মতুং য়ু এসনা ভেনিজ্বেলাগী মথক্তা সেঙ্কসন থমজিনখিবনি। মদুগী মলোম ওইনা নিকোলাস মদুরোনা য়ু এসকী সিনিয়র দিপ্লোমেট রোবিন্সন তান্থোকখিবা ওইগনি হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ভেনিজ্বেলা লৈঙাক্কী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অথিংবা কয়া থম্নবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। আর্জেন্টিনা, ব্রাজিল অমসুং কনাদানচিংবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৪ নসু করাকসতা লৈবা মখোয়গী দিপ্লোমেটশিং কৌথোকখ্রে হায়রি।

ভেনিজ্বেলাদা এম্বেসেদর ওইনা চহী ৮ থবক তৌরকপগী মনুংদা রোবিন্সনসু খ্বাইদগী লিরবা রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওইনা লৈবাক অদুদা লৈরকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ভেনিজ্বেলাদা য়ু এসকী ওইনা চহী ৮ এম্বেসেদর লৈহল্লদ্রবনি। অদুম ওইনমক মতম খরগী মমাঙদা অমুক হন্না রোবিন্সনবু য়ু এস দিপ্লোমেট ওইনা করাকসতা লৈরকখিবনি। ভেনিজ্বেলাদা হৌজিক শেল-থুমগী অৱাবা অমসুং চানবা চীঞ্জাক ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা নোংমাইজিং নুমীৎতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ভোটর মশিং য়াম্না শরুক য়াবা ঙমখিদে হায়রি।

নিকোলাস মদুরোনা মায় পাকপগী সার্টিফিকেট নোংমাইজিং নুমীৎতা লৈবাক অদুগী ইলেক্সন কম্মিসন্দগী লৌখ্রে। মহাক্না অমুক হন্না চহী ৬ লৈবাক অদুগী লুচিংবা ওইনা থৌ পুরগনি। ইলেক্সন বোর্দনা পাঙ-থোকপা মীফম অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, য়ু এস এম্বেসিনা মিলিটরি, ইকনমিক অমসুং পোলিটিকেলগী লমদা লৌতুনবগী থবক চৎখে হায়বগী খুদম চাংদম কয়া ফংলে হায়খি।



# মালেসিয়াগী মীওই ২৯৮ পুখিবা এয়রলাইন্স এম ঐচ ১৭ রসিয়া বৃগেদকী মিসাইলনা পান্দুনা কায়খিবনি : ইনভেষ্টিগেটর

কুলালম্পুর, মে ২৪ (এজেন্সি):

মালেসিগী মীওই ২৯৮ তোংখিবা এয়রলাইন্স এম ঐচ ১৭ কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা রসিয়াগী মিসাইলনা থুগায়খিবনি হায়না মালেমগী ওইনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন-হুমজিনবা কাঙবুশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দটচনা লুচিংদুনা থিজিন-হুমজিনবা অদুদা অহানবা ওইনা ফংলকখিবা দেটাগী মতুংইন্না রসিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা বেজ অমদগী মিসাইল অদু কাপ্লকখিবনি। অমষ্টার্দমদগী কুলালম্পুর তম্না মীওই ২৯৮ পুদুনা পাইরকখিবা এয়রলাইন্স অদু অতিয়াদা মচেৎ কয়া থোক্না কায়খি। য়ুক্রেনগী রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফম অমদগী কাপ্লকপা মিসাইল অদুনা এয়রলাইন্স অদুদা পান্দুনা কায়খিবগা লোয়ননা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই পুম্নমক শিখি।

নাকল অমরোমদা, রসিয়ানদি মখোয়না খুৎলায় অমত্তা শীজিন্নখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লি। জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুগী ওফিসল ৱিলবর্ট পাওলিসেননা শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, মিসাইল অদু পুরকখিবা গাড়ীশিং অদু রসিয়া আর্মদ ফোর্সকী গাড়ীশিংনি। মখোয়না য়ুক্রেনগী রিবেলশিংনা খুদুম চনবা শরুক্তগী কাপ্তুনা এয়রলাইন অদু থুগায়খিবনি। জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) অদুনা থিজিন-হুমজিনবা অদুগী ৱারোইশিন পীরদুনা হায়, রসিয়ানা শাবা বগ মিসাইলনা মীপুবা প্লেন অদু থুগায়খিবনি। অদুগুম্বা এন্টি এয়রক্রাফ্ট মিসাইল অদু কর্স্কতা লৈবা ৫৩ শুবা বৃগেদতা রসিয়ানা সপ্লাই তৌখিবসু লৈখি হায়রি।

দটচ সহরগী উট্রেচট সিটিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা থিজিন-হুমজিনবা মীওইশিং অদুনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎনরকখিবা পিকচর কয়াসু উৎখি। মিসাইল অদুনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তগী পাইরকখিবগী শক্তমশিংসু পুথোরকখি। য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক অদুদা লৈঙাক্কী লাম্মী অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্ট কয়াগা উংখৎনবসু লৈরিবনি।

মীওই ২৯৮ পুবা প্লেন অদু কুমজা ২০১৪ গী জুলাই ১৭তা অমষ্টার্দমগী স্কিফো এয়রপোর্টতগী মালেসিয়াগী কোনুং কুলালম্পুর তম্না পাইখিবনি। প্লেন অদু রসিয়া-য়ুক্রেন ঙমখৈদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা মফম য়ৌরকপদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। প্লেন অদুগী অতেক-অকায় মচেৎ কয়া রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা খুদুম চনবা দোনেটস্কাগী শরুকশিংদা তাশিনখি। য়ুক্রেন লৈঙাক্না বগ মিসাইলনা পানবদগী কায়খ্রবা প্লেন অদুগী শক্তমশিং কায়নথংদা পুথোরকখি।

কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবর থাদা দটচ সেফ্টি বোর্দনা প্লেন অদু বগ মিসাইলনা পানবদগী কায়খিবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর থাদা জে আই টিনা চপ মান্নবা ৱাফম অমসু রিপোর্ট তৌরকপা লৈখ্রে। জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুদা নদরলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, বেলজিয়ম, মালেসিয়া অমসুং য়ুক্রেন য়াওরি। মখোয়না প্লেন অদু বগ মিসাইলনা পানবদগী কায়খিবনি হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মিসাইল অদু রসিয়াদগী পুরক্তুনা রসিয়ানা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা খুদুম চনবা মফম অমদগী কাপ্লকখিবনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। থিজিন-হুমজিনবা কাঙবুশিংনা বগ মিসাইল অদুনা পাইরকখিবা লম্বীগী মেপ শেমগৎপা ঙমখ্রে। মিসাইল অদু এরোপ্লেন অদুগী কোপিদকী মথক্তা মিটর খরা লাপ্পা মফমদা কায়খি। মিসাইল অদুগী মচেৎশিং প্লেন অদুদা য়ৈরবা মতুং প্লেন অদুসু নোংথক্কী শরুক অদুদা মচেৎ তানা কায়খি হায়রি।

জে আই টিগী ৱাফম অদু রসিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগী খুৎলায় অমত্তা শীজিন্নখিদে হায়রি। রসিয়াগী ৱাঙাঙলোয় দিমিট্রি পেস্কোভনা বি বি সী ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, থিজিন-হুমজিনবা কাঙবুনা অচুম্বনি হায়না পুথোক্লিবা ৱাফম অদু য়াবা ঙম্লোইহায়রি।




## ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯍꯣꯡꯖꯔꯦ/ওফিস হোঙজরে

**The Cradle for Disabled Union Imphal East, Manipur** গী Hafiz Hatta দা লৈবা Head office ওইরম্বা অদু New Building Construction তৌবনা মরম ওইরগা হৌখিবা তাং ৭/০৪/২০১৮ ইং, থংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ (অনী) তাবা মতমদা পাঙথোকখিবা General Body গী Sitting No. 23/2018 Resolution No. 1 গী মতুংইন্না Yairipok Tulihal দা Head Office ওইবা হায়না লেপ্পখি। অদুগা লোয়ননা Sitting অসিমক্কী Resolution No. 3 গী মতুংইন্না 1st July 2018 দগী হান্না শীজিন্নরম্বা Letter Head অসি closed তৌবগা লোয়ননা অনৌবা Letter Head চৎনরগনি।

*Sd/-* **Ningombam Geetanjali Devi**
*Secretary General*
**The Cradle for Disabled Union Imphal East, Manipur**

HL-P/3329/25

## EDUCITY TUTORIALS
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT
& SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
Register Now! Register Now!
- STUDY MATERIALS
- SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST
- COUNCELLING
- VAN FACILITIES
- WELL EXPERIENCE TEACHER
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th JUNE, 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM, 4:30 TO 7:30 PM

HL-P/4627/16/5-

Join !!! ... ... Join !!! Join !!! ... ... Join !!!
## XI - MANIPUR UNIVERSITY SPECIAL ENTRANCE TEST COACHING - 2018
(MA / Msc. / MCom / MCA / MLISc)
Organised by : DEMOCRATIC STUDENTS' ALLIANCE OF MANIPUR (DESAM)
Course Fee: Rs. 1,500/-
Venue : G.P. WOMEN'S COLLEGE, IMPHAL
Class Timing : 5:30 a.m. onwards
Class Commencing from : 1st June, 2018
Course Duration : 60 Days
Form available at DESAM Head Office, Sagolband Moirang Leirak and at all Students Union of the Colleges.
For more details : 8259903501 / 9436281281 / 9612530894 / 8258850208

HL-C/076/25 to 1 May

## ICM
(Institute of Cooperative Management)
Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, Government of India
Cooperative Complex, Lamphelpat, Imphal, Manipur
ADMISSION OPEN
(Session : 2018 - 2019)
1. BBA (Three Years Degree Course)
(Bachelor of Business Administration)



Facilities:
1. Hostel Facilities
2. Hi-tech Enable Campus
3. Well furnished Air Conditioned Library & Reading Room
4. Noise Free Academic Environment
5. Industrial Visit Both Inside & Outside State
6. Free Medical Consultant
7. Air Conditioned Computer Lab.

2. PGDCA (One Year Diploma Course)
(Post Graduate Diploma in Computer Application)
Affiliated to MANIPUR UNIVERSITY, CANCHIPUR
3. TALLY. ERP 9 WITH GST
W.E.F. 6TH JUNE TO 4TH AUGUST 2018
DURATION : 2 MONTHS
INTAKE CAPACITY : 30
TIMING : 2.00 P.M. TO 4. OO P.M
*Prospectus/Form available during office hours in working days.
Email : icmimphal2013@rediffmail.com
www.icmimphal.org
Sd/- (Dr. N. Ranjana Devi) Director ICM, IMPHAL

HL-P/1401/25

## COMET
(NEET-UG 2017)
1st 3 Toppers



SUBHANI KUDUSH, D/o MD AYUB KHAN & ALAMJAN BIBI, New Lambulane, River Side — 1st Rank (State)
THOKCHOM SURESH, S/o TH.MANGI SINGH & L.RADHE DEVI, Khangabok Mayai Leikai — 2nd Rank (State)
DOYEN SORAM, S/o DR.AMAR SORAM & MINI SORAM, Nagamapal Soram Leikai — 3rd Rank (State)

ADMISSION OPEN
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2018-19
SCREENING TEST On 31st May 2018 (Thursday)
Special Attractions
1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road

HL-B/4639/23,25,27,29


GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DISTRICT ELECTION OFFICER:
IMPHAL WEST DISTRICT

**N O T I C E**
Imphal, the 24th May, 2018.

No.DC(IW)/7/Elec/368/SSR/2018/6-18 In partial modification of this office notice of even number dated 10th May, 2018, regarding Special Summary Revision of Photo Electoral Rolls of intensive nature w.r.t. 01.01.2019 as qualifying date, it is hereby notified for information of all Political Parties functioning within Imphal West District, the general public and electors of 13 (thirteen) Assembly Constituencies of Imphal West district that the revised schedule for pre-revision activities in connection with Special Summary Revision of Photo Electoral Roll is as follows:-

| Sl. No. | Activities | Period |
|---|---|---|
| 1. | Pre-revision Activities<br>Preparation of publicity/training material and Cascaded training of Officers | Before 19th May, 2018 (Saturday) |
| 2. | House to House Field verification by BLOs | 25th May, 2018 (Friday) to 30th June 2018 (Saturday) |
| 3. | Rationalization of Polling Stations and Physical verification of PS Buildings. | 2nd July 2018 (Monday) to 31st July 2018 (Tuesday) |

All other activities/schedule as laid down by the Election Commission of India will remain unchanged.

(Naorem Praveen Singh)
District Election Officer
Imphal West District.

HL-B/4646/25